# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৯-০৫-২০২৪, শগোলশেন)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাদগী নোংমৈ বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙল্লে।

২) লেননা শোকহল্লবা য়ুম কৈশিং শেমজিনবদা সরকারগী মতেং ফংনবা চে চাং থাগৎলক্ত্রিবা মীওইশিং হয়েং ফাওবদা মশা মশাগী এস.দি.ও নত্রগা এস.দি.সিদা থাগৎলকবা খঙহল্লি।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা খল্লে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। পুলিসকী পাউনা হায়- ককচিং জিলাগী ৱাংঙু য়েলাংবা হায়রিবা চীংগী মফম অসিদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙম্লে হায়রি । মদুগী মনুংদা কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম.পিস্তোল অমা, হেন্দ গ্রেনেট ৬, টু ইন্স মোতার স্মোক সেলগী কভর অহুম অমদি এন্তি সেলস মরি , ট্যুব লোঞ্চর অমা, বুলেট প্রুভ প্লেট অমা, ভেস্ত অনি, বাওফেং হেন্দ সেট অমা, কার্টিজ চাজর অহুম অমসুং গ্রেনেট লোঞ্চরগী রিং অনি য়াওরি।

**অমরোমদা,** মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা সি.আর.পি.এফকী এ.এস.আই অমা মনিপুর পুলিসনা কনবা ঙম্লে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শান্তিপ্র ভিলেজতগী মশক খঙদবশিংনা ফাখিবা সি.আর.পি.এফতা এ.এস.আইবা ওইবা মীওই অদু মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা কনবা ঙমখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না নেসনেল হায়ৱে থার্টি সভেন , ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং নেসনেল হায়ৱে -২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পুন্না নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম পুবা গাড়ি ৩৮১ তেক্তা কায়দনা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৩০ দা চেকপোইন্তশিং থমদুনা অচৎ অওকশিং য়েংশিনবগী থবকসু চথুরি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

**দি.সি(এল)ঃ** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা চুখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংনা য়ুম কৈ শোকহল্লবশিংগী মনুংদা হৌজিক ফাওবা মরী লৈনবশিংদা মতেং পীবিনবা চে চাং থাগৎলক্ত্রিবা মীওইশিং হয়েংগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী লম অদুবু কোল্লিবা এস.দি.ও নত্রগা এস.দি.সিদা থাগৎলকবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সিনা খঙহল্লি।

দি.সি টি.ঐচ কিরন কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা মে ৭ কী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা জিলা অসিগী ওইনা পুন্না মীওই লিশিং ১৫,৭৪৯ দগী য়ুম কৈ অমাং অতা থোকখিবগী মতেং পীবিনবা চে চাং পীশিল্লকখি হায়রি। মদুগী মনুংদা লম্ফেল সব দিভিজনগী ওইনা পুন্না মীওই লিশিং ২,৭১৩ , ৱাঙ্গোই সব দিভিজনগী ওইনা পুন্না মীওই লিশিং ৬,৯৯১ , পাৎশোই এস.দিওগী ওইনা মীওই লিশিং ৪,০২২ , লমশাংগী এস.দি.ওগী ওইনা মীওই লিশিং ২০২৩ না চে চাং পীশিল্লকখি হায়রি।

**এ.আই(এল)ঃ** মনিপুরদা অহানবা ওইনা আর্টিফিসিয়েল ইন্তিলিজেন্স এ.আই তেকোলোজি শিজিন্নরগা রোবোট শাখিবা থোকচোম দয়ানন্দাবু স্মার্ট য়ুনিভার্সিয়েল একাদমি সেকমাইজিং খুনৌনা ওক্তুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। থৌরমদুদা মহাকা হায়- মোবাইল ফোনদা মতম মাংহনবগী মহুত্তা মসিনা পীরিবা কান্নবশিং নিংথিনা শিজিন্নসি, মহাকসু মোবাইল ফোনদগী ফংলকপা ৱাখল লৌশিং শিজিন্নদুনা রোবোট অসি শাখিবনি হায়খি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

ইলেক্সনঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা খল্লে। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হায়দ্রবাদতা ঙরাং বি.জে.পি মীরেপকীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদি মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াখি। শ্রী মোদিনা বিজয়ৱাদা অমসুং রাজামপেদতা পাঙথোকপা রোদ সো অমসুং মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

তেলঙ্গানাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মহাকপু থাজবিদুনা মীয়ামা পীরকখিবা ভোটনা লৈবাক অসি ঙসিদি ঙাকশেলগী মচাক মথুমদা মীপাল তংলম্বা অদু হৌজিক্তি মীরৈবাক্তা থাদোকপা ঙল্লে । মসিদা নত্তনা কস্মীরদগী আর্টিল ৩৭০ লৌথোক্লে। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী ওইনদি লৈবাক অসিনা হান্না হায়বা থৌশিলদা থবক পায়খৎলি। অদুমওইনমক কংগ্রেস অমসুং বি.আর.এসনদি ইমুং মনুং হান্না হায়বা থৌশিলদা থবক পায়খৎলি হায়না মহাক্কী দলগা অতৈ দলশিংগা চাংদমখি।

ৱারঙ্গলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- মীওইববু কুচুদা য়ুমফম ওইরগা হন্থবা থাক্তা য়েংবগী থৌওং লৈবাক অসিনা কৈদৌনুংদসু তুমিন্না লৈথোক্লোই। তেলঙ্গানাদা পাল্লিবা সরকার অসি তোঙান তোঙানবা স্কমশিংদা চেননবনি সরকারনি হায়নসু শ্রী মোদিনা মরাল শিখি।

মরক অসিদা উত্তর প্রদেশতা রাজনিতি দলশিংগী ষ্টার কেম্পেইন্নরশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি। বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহ তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোকপা রাজনিতিগী ওইবা খোংচৎশিংদা শরুক য়াখি। সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদপসু রাজ্য অদুগী জিলা অনিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

**ফোরঃ** লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থা অসিগী ১৩ দা থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী সিট ৯৬ তা ভোট থাদনগনি। মসিগী মনুংদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিট ২৫ তেলঙ্গানাগী সিট ১৭, উত্তর প্রদেশকী সিট ১৩, মহারাস্ত্রাগী ১১, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং মধ্য প্রদেশকী ৮-৮, ঝরখন্দগী সিট ৪, বিহারগী সিট ৫,ওরিষাগী সিট ৪ অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট অমনি।পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৭১৭ না লম্বা থেংনগনি।

**নাগালেন্দ** ঃ জপানগী রাস্ত্রদুত-হিরোসি সুজ্কি অমসুং নাগালোন্দগী মুখ্য মন্ত্রি নেফিউ রিওনা কোহিমাগী ৱার পিছ মেমোরিয়েল শঙ্গাখ্রে। কোহিমদা নৌনা শাগদবা ইকো পার্ককী উরেপ উয়ুংসু তমখ্রে।

পিছ মেমোরিয়েল অমসুং ইকো পার্ক অসি জপান সরকার অমদি জপনিজ ইন্তরনেসনেল কোওপরেসন এজেন্সিনা নাগালোন্দ সরকারগা খুৎশমদুনা শেমগৎপনি। থৌরাং অসি পুৱারি ওইহৌবা খক নত্তনা শান্তিগী পাউজেল পীবা , নাকল অনিগী মরক্তা হেন্না মরী ফহনবগা লোয়ননা হৌক্লিবা মীরোলশিংদা হৌখ্রবা পুৱারি খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা জপানগী রাস্ত্রদুত অমসুং মহাক্কা লোয়নরকপা ওফিসিয়েলশিংবু মহাক্কী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্সতা তরামা ওকখি। ঙরাং নুমিদাং শ্রী হিরোসি সুজ্কিবু তরামা ওকপা ওইনা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি । মদুদা মন্ত্রিশিং, এদভাইজরশিং, এম.এল.এশিং অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা হায়- জপানগী রাষ্ট্রদুতনা নাগালেন্দদা লাকপা অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা কলা, সংস্কৃতি অমসুং রাজনীতিগী লমদা হেন্না ফবা মরী অমা পুরকপা ঙম্লগনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লিক ক্রেকেটতা ঙরাং শান্নাখিবা মেটচতা সন রাইজরস হায়দ্রবাদনা লক্ষৌ সুপর জাইন্তসপু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখ্রে। হায়দ্রবাদকী রাজিপ গান্ধি ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বেত্তিং হান্না তৌখিবা লক্ষৌ সুপর জাইন্তসনা অপিবা ওভর ২০ গী মনুংদা ৱিকেট মরি তুরগা পুন্না ১৬৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা সন রাইজরস হায়দ্রবাদনা শুপাগী ওভর ৯ গা বোল ৪ দা রন ১৬৭ লৌদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ঙসি পঞ্জাব কিংস অমসুং রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা ধর্ম্ম শালাদা লৈবা হিমাচল প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিয়েসন ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**-পেমচান্দ-**

----**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং জিলাদগী নোংমৈ বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙল্লে।

২) লেননা শোকহল্লবা য়ুম কৈশিং শেমজিনবদা সরকারগী মতেং ফংনবা চে চাং থাগৎলক্ত্রিবা মীওইশিং হয়েং ফাওবদা মশা মশাগী এস.দি.ও নত্রগা এস.দি.সিদা থাগৎলকবা খঙহল্লি।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্ককশিংগী ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা খল্লে।

--**পাউ লোইজরে**--

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

মোর্নিং বেলগী অহানবা দেহলাইন অসি কামজোংদা আইননা য়াদবা মীতোপ লিশিং ৫,৪৫৭ খঙদোকপা ঙম্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অদুদি- আইন কায়না চংলকপা মীওই লিশিং ৫,১৭৩ গী বাইওমেত্রিক দাতা রেজিস্তর তৌরে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি। হেদলাইন অসিগা মান্ননা পোকফমগী অহানবা হেদলাইনদসু ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনসু ফোংবা থেংনরে।

রেদ ক্রোস সোসাইতিনা লৌরিবা থৌদাং রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়বা দেহলাইন অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

মনিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন অসি ক্ষেত্রিগাও সৈখ নুরুল হাসনগী ৱাকৎ সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিদ্রে হায়বা পাউ অসিনি।

লেন , নোংলৈ নুংশিৎনা শোক্লবা মফমশিং সি.এমনা য়েংশিনখ্রে। মহৈ মরোং মাং তাকখিবশিংগীসু সার্ভে হৌরে , পীফম থোকপশিং শোইদনা পীগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি বিরেনগী ৱাফম অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং তমেংলোং তাইমসকীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি ।

আই.এমসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা লম মপুশিংনা থীগদবা পোপরতি টেক্সকী চাং লেপখ্রে, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসননা কোনবা মফমদবু লৈরগদি চহি অমদা লুপা ৬০০ তি থীদবা য়াদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

মনিপুরগী ইরাং লান্না উহন্নবা হোৎনবা লেপ্তে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

অশি লমদম কাংপোকপী ঃ লোক সভা ভোট থাদরল্লগা কাংপোকপী রোমদা চংশিনখিবা অপান্বগী মরি মখোং খঙদ্রি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরক্লিবা নহা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনরল্লে হায়বা হেদলাহন অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী -অহানবা হেদলাইন অসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোলিবোল টুরনামেন্ত ২০২৪ গী তাইতল সেনাপতি স্পোর্টিং ক্লবনা লৌরে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

মনিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসননা ত্রাইবেল এফ্যারস অমসুং হিলস লোয়ননা হোর্তিকলচর বিভাগকী অনৌবা মিনিস্তর হাপ্পীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি হায়বা হেদলাইন অসি দ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

--নোলিনি--